৬১শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
কে পি এফ সি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৪ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল তর্ফতা টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা চথরকলিবা ৬১শুবা সার চুরচান্দ সিংহ, কেসিএসআই, সিভিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ১৯ শুবা মেটচতা কে পি এফ সি বিষ্ণুপুরনা এফ সি থৌবালবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল ৩–৩ মান্না লৈবদগী কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওনবদা কে পি এফ সিনা গোল ৪ অমদি এ এফ সিনা গোল ২ খক ওন্থোক্তুনা মেটচ অসি কে পি এফ সিনা মায় পাকখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কে পি এফ সিনা বোল হেনা পায়রগা এ এফ সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখুদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গোল অদু কে পি এফ সিগী জর্সি নম্বর ১০ এস সাবির সিংহনা মিনট ৩৫ চৎপদা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু কে পি এফ সিনা লাকশিন্না অদুমক শান্দুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনখি।

মদুগী মঁহে ফংদুনা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৪২ দা জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ মানিচান সিংহনা অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়রা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা কে পি এফ সিনা অঙনবা মিনটশিংদগী লেপ্তুনা প্রেসর পীশিনবগী মঁহে ফংদুনা মিনট ৬২ চৎপদা এ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১২ এন রাধাকন্তনা আউন গোল চনবিদুনা কে পি এফ সিনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা এ এফ সিনা শোখরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা মেটচ অসি মায়োল অমদা অমুক লাকখি।

এ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ এম দি সাহিদুর রাহমননা মিনট ৭২ চৎপদা অহানবা গোল অদু হন্দোকখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুংগী মিনট ৩ কান্নরগা ৭৬ দা এ এফ সিগী জর্সি নম্বর ২৫ এন ওকেননা অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্তুনা ৩–২ দা লৈখি।

মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই মিনট ৮৯ দা এ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৬ প্রেমজিৎনা গোল অমগা হন্দোক্তুনা অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল ৩–৩ মান্না লৈবদগী কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা ৱিন্নর দিসাইদ তৌখি।

কে পি এফ সিগী পেনালটিদা চনখিবা গোলশিং অদু ইমরান খান,প্রেমচাল,কাপোই অমদি খুলাক পামারিফনা চনখি।

অদুগা এ এফ সিগী পেনালটিগী গোলশিং অদুনা প্রেমজিৎ অমদি রাধাকান্তনা চনখি।

মেটচ অসিদা কে পি এফ সিগী কাফে অমদি সাবিরদা লো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি পি ঐচ লনথোইবা,রিংখা হাও,এস তোম্বি অমদি এন ইবুংঙোনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি

হয়েংগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তবদা নিসা অমদি য়ু কে পিগা শান্নরগনি।

তরেৎশুবা এম ভি সি এ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯
নপ্সা খা–ইম্ফাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৪ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম ভি সি এ) না শীন্দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৭না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ২৮ দগী চথরকলিবা তরেৎশুবা এম ভি সি এ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২১ শুবা মেটচতা নপসা খা–ইম্ফালনা এল সি সি সি চজিংবু রন ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা নপসা খা–ইম্ফালনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১১৮ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা এল সি সি সি চাজিংনা ওভর ১৮ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১১০ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৮ দা মায়থিবা নংহৌখি।

অহানবা বেট্টিং পায়খিবা নপসাগী সাইমননা বোল ২২ দা রন ৩১,সোমেন্দ্রোনা বোল ১৩দা রন ১৭ অমদি পুসপেননা বোল১১ দা রন ১২ লৌখি।

এল সি সি সি চাজিংগী বোল্লিং দা সঞ্জিৎনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ অমদি অকবরনা ৱিকেট ১ লৌখি।

এল সি সি সি চাজিংগী বেট্টিং দা প্রাবিননা বোল ১৯ দা রন ২১,সিবধতানা বোল ২১ দা রন ১৮ অমদি সঞ্জিৎনা বোল ১৫ দা রন ১৮ লৌখি।

নপসাগী বোল্লিংদা মহেসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৪, সাইমননা ওভর ৪ ৱিকেট ২ অমদি রাতোনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা নপসা খা–ইম্ফালগী ৱিকেট ৪ লৌখিবা মহেসনা তাখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা নপসা খা–ইম্ফাল অমদি মোদেল ক্লব চিংঙা মখাগা শান্নরগনি।

অনীশুবা মেটচতনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি এল সি সি সি চাজিংগা শান্নরগনি।

অহানবা লনগৈ ট্রোফিগী চেম্পিয়ন চিং–তমনা ওইখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৪ঃ

দি স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ৱিং লনগৈনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১৪না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা নোংপোক সঞ্জেবমদা লৈবা লনগৈ ভিলেজ গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল নাইন এ–সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন চিং–তম সঙাকফমনা ওইখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিদা চিং–তম সঙাকম্ফমনা ফোর ইভর ফুটবোল লম্লাই চালৌবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা লনগৈ ভিলেজ গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চখন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈবদগী রেফ্রিনা কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা ৱিন্নর দিসাইদ তৌখি।

পেনালটি কাওন্নবদা চিং–তমগী জর্সি নম্বর ১০ বেঞ্জামিন,জর্সি নম্বর ১১ খাইমিনথাং,জর্সি নম্বর ৬ পি দিনেস,জর্সি নম্বর ২ এন লৈশেম্বা অমদি জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ রুনালদোনা গোলদা ওন্থোকখি।

অদুগা ফোর ইভর ফুটবোলগী কৃষ্ণকন্তা,মানিসনা,রামন্দা অমদি গৌতমনা গোলদা ওন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তোপ স্কোরনা খাইমিনথাং,বেষ্ট গোল কিপ্পরনা ৱাঙম্বা অমদি বেষ্ট প্লেয়রনা ক্লিতননা তাখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা চিং–তম সঙাকম্ফমনা লুপা লাক্ষ ১ গা লোয়ন্ননা ৱিন্নর ট্রোফি অমদি রন্নরস অপ ফোর ইভর ফুটবোল চালৌ লম্লাইদা লুপা লিশিং ৫০গা লোয়ন্ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা অনীশুবা মণিপুর রাইফলগী কমান্দেন পি মঞ্জিৎ,ইষ্ট্রন মোতোরসকী প্রোপাইটর এস প্রিতম,বি এস এফ কোইরেংঙৈগী কমান্দেন ঐচ সুবোল অমদি আই এস টি ভিগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ খোগেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা মনা মথুম য়েনথোকখি।

অহানবা কে সি এস মেমোরিয়েল ট্রোফি ২০১৯
ভসাই থাংমৈবন্দনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা কে সি এস মেমোরিয়েল ট্রষ্ট অমদি এস এস সি সেক্তানা শীন্দুনা এস এস সি সেক্তা গ্রাউন্দদা জানুৱারি থাগী তাং ৩০ দগী টিম ৮ না গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা অহানবা কে সি এস মেমোরিয়েল ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী চেম্পিয়ন ভসাই থাংমৈবন্দনা ওইখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিদা ভসাই থাংমৈবন্দনা এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোইবিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা এস এস সি সেক্তা গ্রাউন্দদা ফাইনেল মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চখন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ভসাইনা অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎন্নরকপগী মঁহে ফংদুনা মিনট ৫৬ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৪ উট্টমনা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা ভসাইনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওলদেস প্লেয়র এফ ভি এফ এগী এন মানিবাবু(চহি ৭২),মোষ্ট ভিলুএবল প্লেয়রনা ফ্লামগী গুনাবির অমদি বেষ্ট প্লেয়রনা ভসাইগী বিমোলচান না তাখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ৩০ গা লোয়ন্ননা ট্রোফি অমদি রন্নরর্স অপকী টিমদা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ন্ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা আই রোবিচন্দ্রা মৈতৈ জিলা পরিষদ মেম্বর সাওম্বুং,এন জি টেসকুমার সিংহ রিটয়ার্ড ডাইরেক্টর প্রোজিক্যুসন অমদি ডাঃ এন দিজামনি সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা মনা মথুম য়েনথোকখি।

অহানবা থৌবাল ৱান দে লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট
সি এ এল অমদি দব্লিউ ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৪ ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দা টিম ৬ না নোক আউট বেসিক্তা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১১ দগী চথরকপা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱান দে লীগ কম নোর্ক আউট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা মেটচতা সি এ এল মসজিদ রোদনা এল সি আই সি চাওবোক মাইরেনখুলবু ৱিকেট ২দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা এল সি আই সি না তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ১৪.৫তা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ৭১ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা সি এল এ মসজিদ রোদনা ওভর ১৫.৪ দ ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৭৩ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৮দা মায় পাকখি।

এল সি এ আই সিগী বেট্টিংদা জিকোনা রন ১৩ অমদি অবাসনা রন ৮ লৌখি।

সি এ এল গী বোল্লিংদা কুমজানা ৱিকেট ৬ অমদি জানাপনা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং পায়খিবা সি এ এল গী রেজ রাজানা রন ১৪, অজিসনা রন ১৩ অমদি সদানন্দনা রন ১০ লৌখি।

এল সি আই সি গী বোল্লিংদা অবাসনা ওভর ৫দা ৱিকেট ৫ অমদি ইকবাল রিজানা ওভর ৬তা ৱিকেট ৩ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সি এ এল গী ৱিকেট ৬ অমদি রন ৭ লৌখিবা মোহমদ হামজানা তাখি।

৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমনা ঐচ সি সি মোইজিংবু রন ৫০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ২৬.৪ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৪০ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ঐচ সি সি না ওভর ২৬.৪ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ৯০ খক লৌদুনা মেটচ অসি মায়থিখি।

দব্লিউ ৱাই সি গী বেট্টিংদা বিতেশ্বরনা রন ৩০, সমুঙৌনা রন ১৭ অমদি লক্ষমননা রন ১৭ লৌখি।

ঐচ সি সি গী বোল্লিংদা কেপ, মরু অমদি তেমনা ৱিকেট ২ / ২ লৌখি। ঐচ সি সি গী বেট্টিংদা তেমনা রন ২২ অমদি কেপনা রন ১২ লৌখি।

দব্লিউ ৱাই সি গী বোল্লিংদা লক্ষমননা ৱিকেট ৪ অমদি মঙ্গিনা ৱিকেট ২ লৌখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা দব্লিউ ৱাই সি গী ৱিকেট ৪ অমদি রন ১৭ লৌখিবা লক্ষমননা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৬কী অয়ুক্তা এল সি আই সি মাইরেনখুল অমদি অল অমিন লিলোংগা শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পি সি অমদি সি এ এল মসজিদ রোদকা শান্নরগনি।

কুনমাপলশুবা গভর্নরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট
এক্স পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৪ঃ

মণিপুর হোরর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী ১৯ ফাওবা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথিরিবা ২৯ শুবা গভরর্নস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এক্স পোলো ক্লবনা তেকচম পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এক্সদ পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ পি ওজিৎনা মিনট ৪.১৫দা পাঞ্জল অমা,অনীশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ২ এল অতাংবনা মিনট ৪.২৬,৫.০১ দা পঞ্জল অনী,অহুমশুবা চক্রদসু জর্সি নম্বর ২ এল অতাংবনা মিনট ৭.১৯ দা পাঞ্জল অমা,মরিশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ২ এল অতাংবনা মিনট ০.৪১ দা পাঞ্জল অমা অমদি জর্সি নম্বর ৩ পি ওজিৎনা মিনট ৪.৪০ অমদি ৬.৩১ দা পাঞ্জল অনী চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৭ চনখি।

মায়থিরবা তেকচম পোলো ক্লাবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ২ এস সদানন্দানা মিনট ২.১৭ অমদি অহুমশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ এম কুপরনা মিনট ৪.১২ দা চনখি।

হয়েংগী মেটচতা চিংঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (এ)গা নুংথিল পুং ২ তবা মতমদা শান্নগনি।

কুনহুমদোইশুবা ৱিন্নর্স কপতা কে আই ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৯ না নোর্ক অউট অমদি হোম এন্দ এৱে বেসিক্তা চখগদবা ২৩ শুবা থাংজম বিরচন্দ্রা মাইপাকপি মেমোরিয়েল ৱিন্নরর্স কপ ফোর মেন ২০১৯গী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি ৱাই দি ও গ্রাউন্দ কাকচিংদা শান্নখিবা মেটচদা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টনা ৱাই দি ও কাকচিংবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কে ৱাই আই ৱাই সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২ সহিৎ ভিজু ওসিমনা মিনট ২২না গোল অনী

অতোপ্পা গোল অনী অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ এম দি অসিটনা মিনট ৩৯,জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ ঙৌবা মিনট ৪৭ অমদি জর্সি নম্বর ১৪ ৱাহাসনা মিনট ৮৫ দতা গোল অনী চন্দুনা পুন্না গোল ৪ চনখি।

মায়থিরবা ৱাই দি ও কাকচিংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৬ এম দি রিয়াস খান না মিনট ১৬ অমদি জর্সি নম্বর ১৭ এম দি নাসির হুসেন না মিনট ২৭ দা চনখি।

মেটচ অসি থুমলি জয়সিংহ মোনশাং,মিনথারভির আর টি,আর দি রিংনিদম অমদি এল প্রিয়োবতদা সিংহনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি

টুর্নামেন্টগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৬ দা ৱাই দি ও অমদি কে আই ৱাই সি আর্টিফিসেল তপ গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নরগনি।

HURRY COME & JOIN
Simplicity for Life
HURRY COME & JOIN
SL/ packet
Joining Fees ₹1500/- & Also Get Any Product
PRE - LAUNCH IN MANIPUR
No Capping & No Pair
Idea Dream Project for Everyone
Single Line Network Marketing
Plz. Call Anytime Meiteisana 8286623423

APOLLO ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
FOUNDATION COURSE - XI & XII Science
CLASS XII- ENGLISH TUTION (COHSEM) MORNING (SUN & HOLIDAY)
WANTED TWO RECEPTIONIST WITH COMPUTER KNOWLEDGE Apply On Or Before 31ST MARCH 2019
Facilities
✓ Hostel Seats For Boys & Girls
✓ Free Text Book Sets
✓ No Admission Fee
✓ MOCK Test Series
Special Concession
✓ SC/ ST / MOBC
✓ Meritorious Students
✓ Govt. School Students
✓ Hostelers (Apollo)
Form Issue: 01/02/2019
Class Starts: 02/04/2019
Class Timing: 4:30pm-7:40pm
LAST DATE OF ADMISSION 2ND APRIL 2019
FOR CLASS- X 2019 APPEARING STUDENTS 30% CONCESSION FOR 1ST 30 STUDENTS
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal 795001

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com